## মোরেদা প্লাষ্টিক থিংবগী মাস এব্রেয়ারনেস কেম্পেইন অমদি ৬৯শুবা বন মাহোটসব পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ঃ

টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোর্দর টাউন মোরেদা মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দনা শীন্দুনা প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী মতাংদা মোরেদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা জাতি কয়াগা লোয়ননা মোরে কঞ্জুম্মর ক্লবকী থৌমীশিং য়াওনা মোরে ট্রেদ সেন্টরগী কনভেন্সন হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মোরেদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা জাতি কয়াগী লিদরশিংনা মাগী মাগী মত ফোঙদোক্লদুনা লমদম অসিদা হৌজিক প্লাষ্টিক থিংবগী থবক মোরে কঞ্জুম্মর ক্লবনা দ্রাইভ কয়া চত্থদুনা দুকান অমদি হোটেল কয়াদা এব্রেয়ারনেস পীবগী থবকসু চত্থরি। মসিদা য়াম্না লুরিবদি য়ুমথংনরিবা ম্যান্মার রোমদগী পুশিল্লকপা প্লাষ্টিক কয়া অসি হান্নন থিংবা মথৌ তাই। মসি নত্তনা প্লাষ্টিক কয়া অমগী দ্রাইভ চত্থরবসু মপুং ফানা থিংবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোক্লখি।

হায়ব্রে লম্বীগী সিক্যুরিটি চেক পোষ্টশিংসু প্লাষ্টিক থিংলবদি মপান লমদা পুথোকপা ঙম্লোই। অমদি প্লাষ্টিক অসিগী শীজিন্নবগী মতাংদা ম্যান্মারদা এব্রেয়ারনেস তোইনা পীবগী থৌদাং কয়া অমসু তৌহন্নিংবগী অপাম্বা মত কয়াসু ফোঙদোক্লখি।

মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়ারমেননা হায়, মাইক্রোন ৫০গী মখাদা লৈবা প্লাষ্টিকশিং শীজিন্নবা থিংলে হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ওর্দর অমা হৌখিবা চহী ২০১৭গী সেপ্টেম্বরদা থোকখ্রে। মরম অসিনা মীয়াম্না রিসাইকল্লেবল প্লাষ্টিক খক্তমক শীজিন্নবা আপিল তৌখি। মোরে লমদমদা লৈরিবা কঞ্জুম্মর ক্লব অসিনা লমদম অসিদা মপুং ফানা প্লাষ্টিক থিংবগী থবক চত্থরম্বা অসিনা হৌজিক মোরেদা প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী চাং য়াম্না হন্থরে অমদি লমদম অসি প্লাষ্টিক ফ্রি ওইরে হায়বগা চপ মান্নরে হায়না নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

ব্রাফম অসিমক চীফ মিনিষ্টর অমদি সেন্টরদা খঙহল্লগনি অমদি সিক্যুরিটি চেক পোষ্টশিংদসু প্লাষ্টিক পুথোরকপদা অথিংবা থম্মবা সরকারগী মায়কৈদগী অথিংবা পীনবা ওর্দর অমা থোক্লগনি। মোরেদা প্লাষ্টিক ব্রেটশিং শানবগীদমক মফম চাবা লম অমা থিরি। করিগুম্বা মফম চাবা লম অমা লৈবা মতমদা অথুবা মতমদা শান্নবসু হোৎনরগনি। মসিদা মীয়াম্নসু লম থিরিবা অসিদা খঙহনবীরক্লবসু হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা সিভিওগী লিদরশিংনা গভর্ণমেন্ট অসিনা লৌখৎলকপা প্লাষ্টিক থিংনবগী খোঙথাংশিংদা মতেং পাঙগনি হায়নসু ব্রাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অসি লোইরবা মতুংদা মোরে কঞ্জুম্মর ক্লবনা মমাঙদগী চত্থরকখিবা দ্রাইভশিংদা ফাগৎখিবা ম্যান্মার রোমদগী পুশিল্লকপা প্লাষ্টিক কেজি ৩,৫০০ রোম এমপিসিবিগী চেয়ারমেন মশাদা খূৎশিন্নখি। তুংদা চেয়ারমেননা লুচিংদুনা মোরে হোস্পিটাল অমসুং মোরে পুলিস আইবি কেম্পসতা ৬৯শুবা বন মাহোটসবগী শরুক অমা ওইনা উ চারা থাবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

## চান্দেল জফৌ ভিল্লেজদা চত্থবা ট্রেনিং লোইশিনখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ ঃ হৌখিবা জুন ১ দগী হৌদুনা চত্থরকপা কৃষি কলয়ান অভিয়ানগী মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচরেল, কো ওপরেসন এন্দ ফার্মর ব্রেলফেয়ারগী নেসনেল বি বোর্দনা স্পোন্সর তৌদুনা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী দাইরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদুকেসনগী ইন্টিগ্রেটেদ বিকিপ্পিং দিভলপমেন্ট সেন্টরনা শীন্দুনা চান্দেলগী জফৌ ভিলেজ কম্যুনিতি হোলদা হৌখিবা জুলাই ২৫ দগী চত্থরকপা নুমিৎ ৭ নিগী ওইবা সাইন্তিফিক ওইবা মওং দা খোই লোইবগী ট্রেনিং ঙসি লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এ দি সি চান্দেলগী মেম্বর মঙলেম মোন্সাংনা অথোইবা মীথুং, জফৌ ভিলেজগী চীফ মাইপাকঙম মোন্সাংনা থৌরম মপু,জফৌ ভিলেজগী এসিষ্টেন্ট চীফ দব্লিউ হেমাসিং মোন্সাং অমসুং হাউ মী রিসার্ছ গিল্ডগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস রোবিননা ইকাই খুম্নরবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লমায় ১ গী মখা

## এমএলএ য়ামথোং হাওকিপকী য়ুমদা অমুক্কসু...

অদুম ওইনমক ওফিসিয়েল ওইদ্রিবা পাউনা হায়বদা রেইদ চত্থখ্রিবা এনআইএগী টিম অসিনা এমএলএ অসিগী য়ুমদগী দব্বল বেরেল নোংমৈ অনী য়াওনা পুন্না নোংমৈ মঙা রিকোভর তৌবা ঙম্লে হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা চহী ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ১১দা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হোম দিপার্টমেন্টনা পুলিস দিপার্টমেন্টগীদমক পোইন্ট নাইন এমএমগী ওটোমেটিক পিষ্টোল ৫৭৫ লৈখিবনি। অদুবু নোংমৈশিং অসিগী মনুংদগী ২শুবা মণিপুর রাইফলসকী আর্মস কোর্টতগী নোংমৈ ৫৬ অমসুং মেগজিন ৫৮ মাঙখ্রে হায়বা ব্রাফম বট্টালিয়ন অসিগী পি সঞ্জিৎনা কম্মান্দেন্ট ওইরকপদগী খঙবা ঙম্লকখিবনি।

পুলিস হেদ ক্বাটর পুলদগী য়াম্লবা নোংমৈশিং অসি মাঙখ্রে হায়বা খঙলকপদগী মহাক্না ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট তৌরক্তুনা কেস অমা লৌখৎলগা থিজিনবা হৌরকপগা লোয়ননা পার্সোনেল খরা ফাগৎখ্রবনি। অদুগা আইপিএস ওফিসারশিং য়াওনা সেনিয়র ওফিসার মঙা হৌজিক থবক্তগী সসপেন্দ তৌদুনা থল্লিবনি।

লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কেস অসি এনআইএদা শীন্নবা তকশিনবদগী গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স (এমঐচএ)না মে ৩০, ২০১৮দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না কেস অসি এনআইএনা পায়দুনা মসিগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থরকখিবনি।

## চিফ মিনিষ্টর অমদি মিনিষ্টরশিংনা ইচং থৌনা লেপ্পা...

ঙসিগী রেল্লিদুদা সেনিয়ার পোলিটিসিয়ান নিংথৌজম মঙ্গীসু শরুক য়াখি।

রেল্লিদুগা মরী লৈননা ওক্রম জয়না হায়খিবদা,মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা নুমিৎ ৬২নি ষ্ট্রাইক চত্থরকপা অসিনা মহৈরোইশিংদা কয়াম মাংবগে হায়বদু শন্দোক্না অমুক তাক্লুদ্রবসু মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ব্রাফমনি। মীয়াম্না য়াদ্রবা ভিসি হৌজিক ফাওবা লৌথোক্তুনা থম্বা হায়বসি লাইবক থিবনি।

মহাক্না হায়,য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিং, মহৈরোইশিং, থবক তৌরিবশিং অমদি মীয়াম্না য়াদ্রবা ভিসি এপি পান্দেনা ব্রাই কেতাগোরিগী বুল্লেট প্রুফ গারীগা লৌরগা পকিষ্টানগী মার্সেল লোগী মওংদা চলাইদুনা লৈরি। মহাক কনানো হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবনি।

হৌজিক লৈরিবা এময়ুগী অশুক কুইরবা ষ্ট্রাইক অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্তর গভর্ণমেন্টনা তাশিন্নদনা লৈরিবসি য়াম্না ইকায়নিং ঙাইনি। ষ্ট্রাইক অসি য়ুপি নৎত্রগা মহারাষ্ট্রানচিংবা মফমশিংদা থোক্লম্লবদি নরেন্দ্রা মোদি অমদি মরী লৈননা মিনিষ্টরশিং তুমিন্না লৈগদ্রা হায়না হংবগা লোয়ননা মহৈরোইশিংগী কেরিয়ার মাংহন্নবা হোৎরে হায়না ও জয়না মখা তাখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসিবু লালহৌবগী মকোল ওল্লে অমদি শেলগী দিমান্দ তৌরক্লে হায়ঞ্জিনবগা লোয়ননা ত্রাইবেল মৈহরোইশিং নেক্লগা ষ্ট্রাইক অসিবু লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা কয়া অসিদগী য়ুনিভর্সিটি অসিবু কঞ্জনবা য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিং, মহৈরোইশিং অমদি থবক তৌরিবশিংনা চঙশিল্লিবা ষ্ট্রাইক অসিদা শৌগত্তুনা রেল্লি অসি চৎপনি।

মণিপুরসি অপিকপা ষ্টেটনি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ঙস্মি হায়দুনা ঙৈহাক লৈতনা নম্ফু সাসন চত্থরকপদগী লমদমসিদা লালহৌবগী ইরাং লৈরকপনি। হৌজিকসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা নম্ফু সাসন চত্থরি হায়বগা লোয়ননা মসিগুম্বা কয়া ঙাকথোক্তুনা মণিপুর অমদি য়ুনিভর্সিটি কন্নবা মহাক মশামক বিজেপিদগী তোকপনি হায়খি।

ভিসি লৌথোকউ হায়দুনা অশুক কুইনা খোঙজং চঙশিল্লবসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবা চীফ মিনিষ্টর অমদি মিনিষ্টরশিংনা সেন্তরগী লুচিংবশিংগী মমাঙদা লেপ্পগা ঐখোয়গী ছাত্রাশিংগী কেরিয়ার মাংলে হায়বা ঙমদবসি য়াম্না ইকায়বা ফাওই হায়না ও জয়না ফোঙদোকখি।

## মণিপুর থুগাইনবা লৌরকপা খোঙথাংগী মায়োক্তা...

চত্থরক্তুনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পিছ টোল্ক চত্থখি। মসিগী মতুংদা হৌখিবা চহী ২০১৫ ইংগী আগষ্ট ৩দা প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা ইন্নখিবা য়ানা চেরোল ফ্রেমব্রার্ক এগ্রিমেন্ট হায়বা অমা সাইন তৌনখিবদগী হান্নদগী চীংনদুনা লাকপা ব্রাফম কয়া অমা মথি ফোঙলকখিবনি। অসিগুম্বা পিছ টোল্ক অদুনা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি অমদি য়ুনিটি অমদি বাউন্দরি (ফিজিকেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেসন) দা অকায়বা পীবা য়ারোই হায়দুনা মণিপুর মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা অমুকো, সিসিএসকে অমদি য়ুসিএমনা দিল্লিদা চত্তুনা হায়রুরবনি অমদি ফ্রেমব্রার্ক এগ্রিমেন্ট অসিদা করি য়াওরি মদুগী হ্বাইট পেপর অমা পুথোপীদুনা মীয়ামদা ফাওরিবা লাঙতক্লবা কোকহনবিয়ু হায়দুনা কয়ারক হন্না হায়খ্রবনি। মরক অসিদা ফ্রেমব্রার্ক এগ্রিমেন্ট অসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা ইন্টলোক্যুটর আর এন রবিগী ষ্টেটমেন্ট কয়াদা ইহৌ কয়া অমসু চঙশিনবা লৈখ্রবনি। লোয়ননা হৌখিবা জুলাইগী তাং ১৯দা হিন্দু পাউচেদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটকী সিক্যুরিটিগী ফিভম নৈনবা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কমিতি ওফ হোম এফিয়র্সগী রিপোর্ট ২১৩দা আর এন রবিনা পীখিবা পাউদমদা, চত্থরিবা পিছ টোল্ক অসিগী অরোইবা দোলুসন অমগীদমক, নাগালেন্দদা চৎনরিবা আরটিকল ৩৭১ (এ) অসি নাগালেন্দগী য়ুমথংনরিবা অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমদি মণিপুরদা তারিবা নাগাশিংগী লমদা এরেঞ্জমেন্ট অমা তৌদুনা চৎননবা থবক লৌখৎলগনি হায়রকপা অসিনি।

চোরোল অসিনা মখা তানা হায়, মতাং অসি য়ৌরবা ফাওবা নাগালেন্দদা চৎনরিবা আর্টিকল ৩৭১(এ) অসিনা মণিপুরদা অতম্মনা ফুরু প অমখক্কী য়েংলগা এক্সটেন্সন তৌরক্লগদি, মণিপুরদা এদমিনিষ্ট্রেসন অনী শোয়দনা থোক্লগনি মদুনা হিংমিন্নরিবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তারগনি। হায়রিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী থৌওং অসিনা মণিপুরদা ষ্টেট ব্রিথইন ষ্টেট ওইদুনা মণিপুর থুগাইনবগী ষ্টেপ অমা লৌরকপনি হায়না জোইন্ট কমিতি ওফ অমুকো, সিসিএসকে অমদি য়ুসিএমনানা লৌই। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবশিংনা কয়ারক হন্না মণিপুরগী লম ইঞ্চি অমা ফাওবা শোক্লোই হায়না হায়খ্রবনি। মরক অসিদা মণিপুর ষ্টেট বিজেপি য়ুনিটকী টিমনসু নাগা পিছ টোল্কগী ফ্রেমব্রার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুরদা করিমত্তা অশোকপা লৈরোই হায়রিবসি মণিপুর মীয়াম্বু মীনম্বনি হায়না লৌই। অসুক লুরবা তাঞ্জা অসিদা মণিপুরগী মীহুৎ শীল্লিবা বিজেপি অমদি কংগ্রেসকী এমপিশিংনসু পার্লিয়ামেন্ট সেসন অসিদা ব্রা মচেৎ অমত্তা হায়দ্রিবা করিগীনো। মরম অদুনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১ (এ) অমদি মসিগা মান্নবা মখলগী এক্ট অমত্তা মণিপুরদা চৎনবা য়ারোই লোয়ননা মণিপুরদা চৎনবা য়ানবগী অয়াবা পার্লিয়ামেন্টনা এক্ট ওইনা পাস তৌবা য়ারোই।

তঙাইফদনা লুরবা তাঞ্জা অসিদা জোইন্ট কমিতি ওফ অমুকো, সিসিএসকে অমদি য়ুসিএমনা কৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা মণিপুর মীয়াম্না সপ্পোর্ট তৌবিয়ু। তৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি অতম্মনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ অমখক্কী মায়োক্তা নত্তে। মসিদি পুন্না হিংমিন্নবগী ব্রাখল্লোন্দা য়ুনিটি, ইন্টিগ্রিটিদা য়ুম্ফম ওইবনি। মরম অদুনা জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা অনা-অয়েক, লাইনিং-লাইশোল, পাউমী (প্রিন্ট এন্দ মেদিয়া), মৈ-ঈশিংগী থবক তৌরিবশিংদা মশক মুন্না খঙদোক্লগা চত্থোক চৎশিন্দা অপনবা পীবিদবা অমদি য়ৈখাই থিনগাইবা পীবিদনবা লূপ অহুম জোইন্ট কমিতি ওফ অমুকো, সিসিএসকে অমদি য়ুসিএমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## জেনরেল ষ্ট্রাইক খ্বায়রম্বন্দ নুপী কৈথেল লূপনা শৌগৎলি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ঃ

অমুকো, য়ুসিএম, সিসিএসকেনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী হৌদুনা কৌরিবা পুং ২৪গী মণিপুর পুম্বগী জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি খ্বায়রম্বন্দ নুপী কৈথেল শিনফম অমদি শক্তম কনবা লুপনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না লুপ অসিগী সেক্রেটরি টিঐচ রানি দেবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নগালেন্দদা বেজ তৌবা খুৎলায় পায়বা লালহৌলুপ এনএসসিএন(আইএম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীনা শান্তিগী ব্রারী শান্নদুনা ব্রাইরোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা লমদম অসিগী ঙমখৈদা শিংনরকপা অমদি লৈবাক কায়নবা শিনবা থৌওংশিং লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমক্না থব্রায় ফাওবা থাদোক্তুনা ইরমদমগীদমক্তা শিবা কিদবা জাতি অমা লৈ হায়বসি পৃথিবী শিন থুংনা খঙহনসি।

ভারত লৈঙাকনুংদা লালহৌবা মশীং থিঙমদনা লৈ, লৈরিবা লালহৌলূপশিংনা ভারত সরকারগা শান্তিগী ব্রারী শান্নবা মতমদা অতোপ্পা লৈবাক অমগী শান্তি থুগায়নবা অমদি ইন্টিগ্রিটি শোকহনবা তৌরোইদবনি।

লালহৌলুপ অমা থেম্মবা হোৎনবদা জাতি মখল শুনা খুন্দাদুনা নুংশি চান্নবা লৈবা লৈবাক অসিদা জাতি মশেল মরক্তগা শিংচেপ থাজিন্দুনা মীশি-মীনা থোক্লবা শিনবা ভারত সরকারগী থৌশিল অফবা ওইরোই।

ইং শোক ২০০১দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি এনএসসিএন(আইএম)গী লিমিট লৈতবা সিজ ফয়ারনা মরম ওইরগা মীশি মীনা তোক্তুনা ষ্টেট এসেমব্লি মৈ চাকখিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা কাউরোইদবনি।

হৌজিক ওইরক্লিবা এনএসসিএন(আইএম) অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী সিজ ফয়ারনা মরম ওইদুনা লৈবাক কায়বা য়াবগী লুরবা তানফম অসিদা অমুকো, য়ুসিএম অমদি সিসিএসকে অহুম্মা পুল্লগা কৌরিবা পুং ২৪গী মণিপুর পুম্বগী জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা খ্বায়রম্বন্দ নুপী কৈথেল সিনফম অমদি শাক্তম কনবা লূপনা মপুং ফানা শৌগৎকনি। মরম অদুনা নুপী কৈথেলশিং অসিদা নোংমগী চরা তানবীরিবা মীপুম খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিবু শৌগৎপিদুনা শিন্থা লেপ্পিয়ু হায়না চেরোল অদুনা অপিল তৌরক্লি।

লমায় ১ গী মখা

## জেলিয়াংরোং এপেক্স বোদি অহুম শক খঙলরোই ঃ এন এস সি এন-আই এম

হোম মিনিষ্ট্রিদা ফোঙদোকখিবা অদু য়ুম্ফম য়াওদবা ব্রাফমনি হায়না ফোঙদোকখি।

জেলিয়াংরোং বৌদি (এ,এম,এন), জেলিয়াংরোং য়ুঠ ফ্রন্ট (এ,এম,এন) অমসুং ওল জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ,এম,এন)গী লুচিংবশিংদা হিরম অসিগী মতাংদা হেব্রোন্দা মে ১১ দা কিলো কিলোন্সরশিংগা মীফম পাঙথোক্লবা কৌখি অমসুং মে ১৮ দা সিজ ফয়ার মোনিটরি সেলগী ওফিসতা কৌখি।

ব্রাফম অদু ঙাকপগী মহুত্তা লুপ অহুম অসিগী লুচিংবশিংনা দিল্লিদা চত্তুনা হোম ওঠোরিতিজ খঙহন্দনা অতো কিলোন্সরগা উন্নদুনা মেমোরেন্দ অমা মে ১৬ তা পীশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা এন এস সি এন-আই এমগী ব্রারোইশিন পুরকপদা অসামগী জেলিয়াংরোং তাবা মফমশিং হুন্দোক্লমগদৌরে হায়বা অরানবা পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা জেলিয়াংরোং এরিয়াশিং অপুনবা নাগাগী মনুং চলহন্নবা তকশিনলমখি।

হৌখিবা চহি ১০ রোম অসি লূপ অহুম অসিনা হায়জবদগী জেলিয়াংরোং কম্যুনিতি অসি জেমে, লিয়াংমৈ অমসুং রোংমৈ জাতি হায়দুনা অহুম থোক্লা খায়দোক্তুনা লাকখ্রবনি। মদু হৌখিবা মার্চ ২৩দা মপুং ফাবা নাগা ত্রাইবগী ষ্টেটস অদুদা ত্রাইব অহুম থোক্লা শকখঙখিবনি।

ত্রাইব অহুম অসি শকখঙবনা হৌজিক লৈরিবা জেলিয়াংরোং ওর্গনাইজেসনশিং অসি থুগায়বগী ব্রাফম লৈতে নৎত্রগা জেলিয়াংরোং হায়রিবা মিং অসি থিংবগী ব্রাফমসু লৈতে হায়না পল্লি হায়রি।

মরক অসিদা হৌখিবা মে থাদ জেলিয়াংরোং বৌদি (এ,এম,এন) অমসুং এ জেদ এস য়ু (এ,এম,এন)গী মীওইশিং য়াওনা জেদ য়ু এফকী ফেক্সন অনীগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা জেদ য়ু এফ ফেক্সন অনী অসিগী মরক্তা সিজ ফয়ার তৌনবগা লোয়ননা ফ্রেমব্রার্ক এগ্রিমেন্টকী মায়োক্তা লেপখিবনি।

জেদ য়ু এফ অমসুং জেলিয়াংরোং এপেক্স ওর্গনাইজেসন অহুম অসিনা খূৎশম্নরগা এন এস এস এনগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা ইন্দো নাগা পিছ প্রোসেস অসি লান্না উহন্নবা থবক তৌই হায়না মরাল শীরি।

জেলিয়াংরোং বৌদি (এ,এম,এন) না অতো কিলোন্সরদা মে ১৬ তা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা ইন্দো নাগা ব্রারোইশিন পুরকপদা জেলিয়াংরোংশিংগী য়াইফনবা খনবঙ্গম উহল্লি অদুগা অমরোমদা জেদ য়ু এফকা লোয়ননা য়ুনিফাইদ জেলিয়াংরোং হোমলেন্দ তানলিবা অসিদা নাগাশিংনা অঙকপা পোকই হায়না পল্লি।

## ইমপ্লোইয়িশিংগী খোঙজং নুমিৎ...

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা ষ্টাফ অমনা ফোঙদোকখিবদা হন্দক ৭শুবা পে অসিগী মরী লৈননা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা ওর্দর অদুবু জেএসি অমদি মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই অমদি চৎনবা য়ারোই। সরকারগী করমাচারিশিংগী অপুনবা লূপ অমা ওইরিবা জেএসি অসিবু নাথৈরগা কাংলূপ খরা মান্নরগা এমওয়ু সাইন তৌনখিবা অদু লৈঙাক্লা হন্দোক্কদবনি। থৌওং অসি সরকারগী করমাচারিশিংগী অপুনবগী শক্তম অদু থুগাইনবা হোৎনবনি। জেএসি অসিনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি ফঙদ্রিবা ফাওবা মখা তানা খোঙজং চঙশিখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## কেজি ১.৫ রোম লুম্বা বোম লৈরম্লে

অদু হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা কেজি ১.৫ রোম লুম্বা আরদিএক্স বোম ওইরম্বদগী কুপ্না য়েংশিল্লগা অশোই অঙাম থোকহনদনা লৌথোক্লবা মতুং অয়ুক ৭.৪৫ রোম তাবদা মোরে পুলিসতগী কিলোমিটর ৬ রোম চৎলগা লৈবা হোলেনফাইগী মফম অমদা পোখায়হনখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা মোরে ব্রাকর্স এন্দ ট্রেদর এসোসিয়েসননা মীয়াম তিনবা মফমদা বোম থমজিল্লম্বসু নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লদুনা মতুংদা অসিগুম্বসি অমুক তৌবিদনবা মরী লৈনবশিং অপিল তৌখ্রে।

## দিল্লিদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, এময়ুদা এফিলিয়েট তৌবা কলেজ মহৈরোইশিংগী অরোইবা সেমিষ্টর ইগজাম হায়দোক্তনা লৈরি। অদুনা মহৈরোইশিংগী কেরিয়র মাঙবগী ফিভমদা লৈরকপসি নুংনাংবা পোকই। অদুনা অথুবা মতমদা ব্রারোইশিন অমা পুরক্লবা ঐচআরদি মিনিষ্টরগী ওফিস মমাঙদা কেএসএ এনইএফআইএস অমদি দিল্লিদা লৈবা মহৈরোইশিংগা লোয়ননা খোঙজং চত্থদুনা মেমোরেন্দম অমসু মিনিষ্টরদা পীশিন্নবা হোৎনখি। মতম অদুদা মিনিষ্টর লৈরমদবদগী নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা মেমোরেন্দম অদু মিনিষ্টরদা পীশিনখিবনি হায়রি।

ঙসি চত্থখিবা খোঙজং অদুদা দিল্লি পুলিসনা মহৈরোই ৭০মুক ঙাইহাক ফাজিন্দুনা থমখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মরক অসিদা মুসুনা লাক্লিবা আগষ্ট ১৫গী থৌরমদা শরুক য়ারোই হায়না লাউথোকখ্রে।

ইন্দিপেন্দেন্ট দে থৌরম শরুক য়াদবগী ফিরেপ অসি মহৈরোই লূপশিংনসু শৌগৎপীয়ু হায়না মুসুগী প্রসিদেন্ট এম দয়ানন্দনা অপিল তৌখি।

## য়ুঙাং ফারে

মহাক্না য়ুঙাং বোত্তলশিং অদু পুরম্বদগী ফাবনি। ফারবা য়ুঙাংগা কোন্ননা মীওই অসি পোরোম্পাৎকী এক্সাইদা শিন্নখ্রে হায়রি।

## মেমোরিয়েল মোদেল একাদেমি য়াইরিপোক্তা এন্টি দ্রগ কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ঃ

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) অমদি কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) খূৎশম্নরগা এন্টি দ্রগ কেম্পেইন ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক্তা লৈবা মেমোরিয়েল মোদেল একাদেমিদা পাঙথোকখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা মেমোরিয়েল মোদেল একাদেমিগী ফাউন্দর লোইতোংবম ধুরব, কাদাগী প্রসিদেন্ট ইন চার হিজম প্রিয়োকুমার অমসুং এমসু ময়াইলোইশঙগী লাইব্রেরি এন্দ দোক্যুমেন্টেসন লোইতোংবম ব্রোজেননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেননা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

রিছোর্স পার্সন ওইনখিবা নিংথৌজম দোরেননা হায়, খুন্নাই অমগী তুংগী লাইবক লেপ্পা হায়বসি খুন্নাই অদুগী নহারোলশিংগী মখা পোল্লি। অদুনা অফবা তুংলমচৎ অমগীদমক অফবা তিংজং কাইজংদবা মীরোল শেমগৎপা মথৌ তাই। লুরিবদি লমদম অসিদা তোঙান-তোঙানবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক (নিষা) মখল কয়া আইনগী ওইবা অথিংবা কয়া লৈজরবসু মফম খুদিংদা মরাং কাইনা ফঙলিবসিনি। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবা নহারোল কয়া পাক শন্না লাইচুরক্লি। ফিভম অসি থিংহৌদ্রবদি মণিপুরী খুন্নাই অসি শোয়দনা মুৎথ্রগনি। অদুনা খুন্নাই অসিবু নিষাগী ইপাক্তগী কঞ্জনবা লমদম অসিগী লৈরিবা মীওই খূদিংমক্না নিষাগী মায়োক্তা লেমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঙসি মহৈমশিং তল্লীবা মহৈরোইশিংগী পুন্সিদা অফবা মতিক চাবা মীওই অমমম ওইগে হায়রবদি মতম খুদিংমক্তা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখল খূদিংমক্তগী লাপথোক্কদবনি লোয়ননা নিষা মখল অমত্তদা চাংয়েং তৌগে হায়বা ব্রাখল খল্লোইদবনি হায়খি।

মেমোরিয়েল মোদেল একাদেমিগী ফাউন্দর লোইতোংবম ধুরবনা হায়, হৌজিক্কী মতমদা নিষা চাদবা মীওইশিংবু ঙসিগী খুন্নাইনা মতমগী চৎনবী খঙদবা মীরক তিন্দবা ওইনা লৌনরকপসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মতম কয়াগী মমাঙদগী লমদম অসিদগী য়ু অমদি ময়াই কাবা নিষা মখলশিং থিংনবা মৈরা পায়বীগী ইহৌ লমদম অসিদা লৈরকখি অদুবু লাইবক থিবদি হৌজিক্কী মতমদা নিষা থিংবা থোক্লক্লিবা ইবা ইবেলশিংনা পাক শন্না ক্বা চারকপা অসিসু লাইবক থিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

## তখেলখোংগী মথক্তা মখল অমত্তগী ষ্ট্রকচর শাবিগনু

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ঃ

চহি ৪৮১ শুরবা থাঙ্গাপাৎতগী খোংমন মঙজিন ফাওবা চেল্লিবা তখেলখোংগী মপান্দা খুন্দারিবা মীপুম খুদিংমক্না তখেলখোং অসিগী মথক্তা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ষ্ট্রকচর শাগৎপা নৎত্রগা শাগৎনবা হোৎনবীগনু হায়না তখেলখোং প্রিজার্বেসন কম্মিটি ব্রহ্মপুর নহাবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থাঙ্গাপাৎতগী হৌরগা নহাবম, নহাবমদগী শঙ্গাই চুথেক, শঙ্গাই চুথেক্তগী মঙজিন ফাওগী মনুংদা লৈরিবা তখেলখোং অসিগী মথক্তা কনাগুম্বা লূপ নৎত্রগা লনাই মীওইশিংনা ষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎলম্বা তারবদি খুদক্তা শিদোকপগা লোয়ননা আইনগী ওইবা মতেং লৌগনি হায়বগা লোয়ননা তখেলখোং অসি লুনানান্না থম্বনবা হোৎনবদা মীয়াম পূম্নমক্কী দায়ত্যা লৈ হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

লমায় ১ গী মখা

## হেপাটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম মপুং ফাংহন্নবা থবক...

ইং ২০৩০ ফাওবদা লৈবাক অসিদা হেপাটাইটিস লায়না মীওই অমদগী অমদা শন্দোকপা থিংনবা পান্দমদা পায়খৎপা নেসনেল প্রোগ্রাম অসিনা মপুং ওইনা ভাইরেল হেপাটাইটিসনা নাবা অমসুং মসিনা শিহনবগী চাং হন্থহনবদা মীৎয়েং থল্লি। প্রোগ্রাম অসিদা মপুং ওইনা হেপাটাইটিস বি অমসুং সিদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরদা মপুং ওইনা ঐচ আই ভি অমসুং হেপাটাইটিস সি কো ইনফেক্সনগী চাং য়াম্না ব্রাংবনা ইন্দিয়ানসু অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

মণিপুরগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা হেপাটাইটিসকী অখন্নবা প্রোগ্রাম পায়খৎপা লৈত্রি। অদুম ওইনমক লায়েংবা ঙম্লবা হেপাটাইটিস সি লায়নাগীদমক্তদি হান্না পায়খৎলম্বা মণিপুর ষ্টেট ইলনেস এসিষ্টেন্স ফন্দগী মখাদা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওইশিংদা লুপা লাক্ষ ১.৫ ফাওবগী মনুংদা লায়েংনবা শেলগী তেংবাং পীরম্মী। গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা মীওইশিংগীনা লায়েংবদা চংবা শেনফম হন্দোকপা য়ারম্মী।

হৌজিক পায়খৎকদৌবিরা প্রোগ্রাম অসিগী মখাদদি হেপাটাইটিস ভাইরস মখল খুদিংমক্না নাবরা চাংয়েং তৌথোকপা অমসুং লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনগদৌরিবনি।

হেপাটাইটিস বি অসি হৌজিক্তি অঙাংশিংগী রুটিন ইম্যুনাইজেসনদা য়াওরে। অদুবু মসি নেসনেল প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা অহানবগী ওইনা হকশেলগা মরী লৈনবা থবক তৌরিবা ডাক্তরশিং, নর্সশিং, লেবোরেটোরিদা চাংয়েং তৌরিবা মীওইশিং অমসুং হোস্পিটালগী ষ্টাফশিং লোয়ননা হেপাতাইটিসনা নারবা মীওই অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা টিকা কাপথোকপগী থৌরাং পায়খৎকদৌরি।

হেপাটাইটিস এ অমসুং ই দি অমাং অশোয়নচিংবদগী ঈশিংদা য়াওখ্রবা মতুংদা শন্দোকপা ওইবনা মসিদি নাদ্রিঙৈদগী ঙাকথোকহৌবা দরকার লৈ। মসি মীয়ামদা খঙহনবা দরকার লৈ হায়খি।

অমরোমদা হেপাটাইটিস বি অমসুং সি অসিদি ঈদগী লৌনবনি। মরম অসিনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ব্লদ বেঙ্ক ৫ দা ঈ লৌবা মতমদা ঐচ আই ভি, হেপাটাইটিস বি, হেপাটাইটিস সি, সিফিলিস, মেলরিয়ানচিংবা অসি ইং ২০০১ দগী চাংয়েং তৌরিবনি।

প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা ইং ২০০১গী মমাঙদা ঈ কাপখিবা মীওইশিংসু হেপাটাইটিস বি অমসুং সি গী চাংয়েং তৌথোক্লবা থৌরাং সু য়াওরি। হেপাটাইটিস বি অমসুং সি অসি মমাদগী অঙাংশিংদা শন্দোরকপা য়াবগী ওইথোকপসু লৈবনা মসি থিংনবা থৌরাংসু য়াওরি।

প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা ষ্টেট অসিগী ওইনা ত্রিটমেন্ট মোদেল সেন্টর অমা থম্নবা থৌরাং লৈ। মসি কদায়দা থমগদগে হায়বদু য়েংশিল্লি। ত্রিটমেন্ট মোদেল সেন্টর অসিদা মপুং ওইনা ত্রেনিং অমসুং ত্রিটমেন্টকী থবক অসি হাপকদৌরিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল খুদিংমক অসি ত্রিটমেন্ট সেন্টর ওইহন্নবা খঙহল্লকপসু লৈ হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা চাউরাক্লা হেপাটাইটিস ভাইরসকা শাগোন্নন লৈমিন্নবা মীওই লিশিং ২৫ দগী ৪৫ ফাওবা লৈরম্বা য়াই হায়না পান্নরি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী ওইনা হেপাটাইটিস সিনা অপুনবা মীশিংগী চাদ ১ অমসুং হেপাটাইটিস বিনা চাদ ৩-৪ ফাওবগী চাংদা নারম্বা য়াই হায়না পান্নরি।

ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা ব্লদ বেঙ্ক মঙা অসিদা হেপাটাইটিস পোজিতিভ ওইবা ঈ অসি ইং ২০১৩-১৪ দা চাদ ০.৮, ইং ২০১৪-১৫ দা চাদ ১, ইং ২০১৫-১৬ তা চাদ ০.৯, ইং ২০১৬-১৭ তা চাদ ০.৯ অমসুং ইং ২০১৭-১৮ দা চাদ ০.৮ য়াওবা থেংনরে।

হেপাটাইটিস বিনা ইং ২০১৪-১৫ দা চাদ ০.৯, ইং ১৫-১৬ তা চাদ ০.৮, ইং ২০১৬-১৭ তা চাদ ০.৭ অমসুং ইং ২০১৭-১৮ দা চাদ ০.৬ য়াওরম্বা থেংনৈ হায়খি।

নেসনেল প্রোগ্রাম অসি হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মীয়ামদা প্রোগ্রাম অসিগী মতাংদা অমসুং লায়না অসিগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহনবা চঙই হায়খি।

## নুপীমচা ১ ইজ্জৎ মাঙহল্লগা হাৎখিবগী কেসতা...

কেস অসি থৌদোকসি থোকখ্রবা মতুং নুমিৎ হুম্নি শুরকপা দিসেম্বর ২৭, ২০১৫দা লৌখৎপগা মসিদা চেন্নরিবা আর দেবিদ নুমিৎসিমক্তদা পূলিসনা ফাখি। মহাক ফাবগা পন্থদনা চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট (সিজেএম), সেনাপতিগী কোর্টতা পুথোক্লগা দিসেম্বর ৩১, ২০১৮ ফাওবা নুমিৎ ৫নিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখি।

মহাক্কী পুলিস কষ্টদিগী মতম লোয়রদুনা দিসেম্বর ৩১, ২০১৫দদি মহাক কেস অসিগা মরী লৈননা স্পিসিয়েল জজ (প্রোক্সো), সেনাপতিগী কোর্টতা পুথোকখি। নুমিৎসিদগী মহাক ঙসি ফাওবদা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌদুনা থল্লকখিবনি।

কেস অসিগী মতাংদা পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরক্লবা মতুংদা মসিগী চার্জসিট জুন ১৬, ২০১৬তা কোর্টসিদা লানখৎলকখিবগা লোয়ননা নুমিৎসিদা কোগনাইজেন্স লৌখি। অদুগা কেস অসিগী ব্রায়েল চত্থরকখিবনি।

পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসনদা মরী লৈনবা মেজিষ্ট্রেটতগী অয়াবা লৌরগা দিসেম্বর ২৮, ২০১৫দা লৈরোল চনশিনখ্রবী নুপীমচাসিগী হকচাং ইগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাংদা লৈনুংদগী হন্দোক্লগা পোষ্ট মোর্টেম ইগজামিনেসন তৌখি। ইগজামিনেসন অসিদা মহাক্কী ফিনুংগী হকচাং ঈ থোকপা য়াওনা শোকপগী মফমশিং লৈরমখিবগা লোয়ননা মখৌরি মেৎতুনা হাৎপগী খুদমশিংসু ফঙখি।

অমরোমদা ফারবা আর দেবিদপু রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী ফোরেন্সিক মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা মেদিকেল ইগজামিনেসন তৌবদা মহাক্না নুপীমচা অসিবু ইজ্জৎ মাঙহনখি হায়বগী খুদমশিং ফঙখি।

মহাক্না অচাপোৎ লৈবিগে হায়দুনা থেল্লগা পুথোকখিবা নুপীমচা অসি হঞ্জিল্লক্তবদগী মহাক্কী মমা য়াওনা লৈকাইগী মীওইশিংনা থিরকপদা আর দেবিদ মশাসু য়াওখি। মহাক্না অঙাংসি ষণগোন্দা লৈরম্লে হায়দুনা পুথোরকপদা মহাক্না শেৎখিবা স্লেক্স অমদি স্কর্ট য়াওরমদনা শুপ্নতগী খোঙ মোজাখক্তং য়াওরম্বদগী মমা অথিমনা মচানুপীগী হকচাং থোংদা য়েংলুবদা ঈ থোক্লম্বদু থেংনখিবনি হায়রি।

কেস অসিগী ব্রায়েলদা কোর্টনা অপোকপী মমা, লৈকাইগী হকথেংনহৌবা মীওই, পুলিসকী মীওইশিং, ফোরেন্সিক এক্সপার্ট অমদি ডাক্তরশিং য়াওনা পুন্না প্রোজিক্যুসন ব্রিটনেস (শাক্ষি) ২১গী জবান লৌখি। অঙাংসিনা শেৎলম চারম্বা ফি-রোলশিং য়াওনা মেদিকেল ইগজামিনেসনগী সেম্পলনচিংবা একজিবিট ২৬ শিজ তৌখি।

ব্রায়েল অসিগী অরোইবা হিয়ারিং থাসিগী ২৭তা পাঙথোক্লগা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদু রিজার্ভ তৌদুনা থম্লক্লগা ঙরাং লাউথোকখিবদা আর দেবিদপু নুপীমচাসি ঈজ্জৎ মাঙহনবা অমসুং হাৎপগী মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোকখি। অদুগা ঙসিনা মহাক্কী সেন্টেন্স হিয়ারিং পাঙথোকখিবদা মহাক্না চত্থখিবা থৌওংশিং অসি অতাংবা থৌদোকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী তাংবনি লৌদুনা মহাকপু শিদ্রিবা ফাওবা ফাঁসি তৌরগা হাৎপগী ওর্দর পীখিবনি।

কোর্টকী ওর্দরসিদা নেসনেল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা)গী কম্পেন্সেসন স্কিম ফোর ব্রুমেন ভিক্তিম / সর্ভাইভরস ওফ সেক্সুয়েল এসোল্ট / অদর ক্রাইমস ২০১৮গী মখাদা লুপা ২৫,৫০,০০০ পীনবসু খঙহনখি।

হায়রিবা শেনফম অসিগী মনুংদা লুপা লাক্ষ ৭না রেপকিনি, লুপা লাক্ষ ১০না অঙাংগী মপুন্সি মাঙহনবগী ওইগদবনি অদুগা অকোনবগী শেনফমসিগী চাদ ৫০ হেঙ্গৎহনবনিসু হায়রি।

শেনফমশিং অসিগী মথক্তা লৈখিদ্রবী নুপীমচাসিগী মমাদা 'ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্স এন্দ সপোর্ট সর্ভিস টু ভিক্তিম ওফ রেপ এ স্কিম ফোর রেট্রোসপেক্তিভ জষ্টিস' কী মখাদা লুপা লাক্ষ অনীগী শেনফম পীনবসু খঙহনখি।

ব্রায়েল অসিদা ষ্টেটকী মায়কৈদা স্পিসিয়েল পব্লিক প্রোজিক্যুটর কোসিয়া য়াওনা লেপ্লগা আর দেবিদগী মায়কৈদনা এস পি থোমাস (লিগেল এইদ কাউন্সেল)না লেপখি। কোর্টসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী কোপিশিং মরী লৈনবশিংদা পীবগা লোয়ননা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্টার জেনরেলদসু পীখি।